ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯢ, ꯅꯣꯚꯦꯝꯕꯔ ꯲꯰, ꯲꯰꯲꯰, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯳꯵ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, নবেম্বর ২০, ২০২০, ইম্ফাল
৪৪শুবা চহী, ২৩৫শুবা মশীং

# চাইল্ড ক্যের হোমশিংগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম

## নৌরিবা অঙাংশিং করম্বা ফীভমদা থম্বীরিবগে য়েংশিনবগী তঙাইফদবা

লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা চাইল্ড ক্যের হোম নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসন অয়াম্বা অঙাংশিংবু নীংথিনা ঙাকপী-শেনবীনবা থৌরাং লৌখৎতে হায়রিবসি অৱাবগী মশকনি। লৈঙাক্কী সোসল ওদিট রিপোর্ট অমনা হায়, তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈবা চাইল্ড ক্যের হোম নৎত্রগা ইন্সটিট্যুসন ২,৭৬৪দা অঙাংশিং ঙাকপী-শেনবীনবা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎতবা মরম্না অঙাং কয়ামরুম মীওৎ-মীনৈগী চৈনা খাঙলি। উত্তর প্রদেশকী দিওরিয়া অমসুং বিহারগী মুজাফরপুরদা লৈবা চাইল্ড ক্যের হোম খরদা পিল্লিবা নুপীমচাশিং সেক্স্যুয়ল এব্যুজ তৌবগী কেস থেংনখ্রবা মতুংদা লৈঙাক্লা চিলদ্রেন হোম নৎত্রগা চাইল্ড ক্যের ইন্সটিট্যুসন পুম্নমক য়েংশিন্নবা য়াথং অমা কুমজা ২০১৮দা পীখিবনি। নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটস (এন সী পি সী আর) গী মীৎয়েংখাদা লৈবাক্কী তোঙান-তোঙানবা মফমদা লৈরিবা চাইল্ড ক্যের ইন্সটিট্যুসন ৭,১৬৩গী ফীভম য়েংশিনখি। চাওরাক্লা অঙাং ২.৫৬ লাখ লোম থল্লিবা চাইল্ড ক্যের ইন্সটিট্যুসনশিং অদুগী ফীভম য়েংশিনবদা ইন্সটিট্যুসন ২,৭৬৪দা অঙাংশিংবু নীংথিনা ঙাকপী-শেনবীনবা থৌরাং লৌখৎলমদবা থেংনখি। সোসল ওদিট রিপোর্টতা অন্দমান এন্দ নিকোবর আইলেন্দগী চাইল্ড ক্যের হোম চাদা ৯৩.৮; ত্রিপুরাগী চাদা ৮৬.৮ অমসুং কর্নাটাকাগী চাদা ৭৪.২দা অঙাংশিং ঙাকপী-শেনবীনবা থৌরাং লৌখৎলমদ্রে হায়বা ৱাফম পল্লি। চাইল্ড ক্যের হোম অয়াম্বদা অঙাংশিং তাথী-তাওইনা তৌবগী থৌদোক থেংনরে হায়না পল্লদুনা সোসল ওদিট রিপোর্ট অদুনা হায়, চাইল্ড ক্যের হোম ১,৫০৪দা টোইলেট মতিক চানা লৈতে; হোম ৪৩৪দা ইরুজফম মতিক চাদে অমসুং হোম ১,০৬৯দনা অঙাংশিং মথন্তা তূমজনবগী ফমুং মতিক চানা লৈতে। নুনাংবা পোক্লিংঙাই ওইরিবা ৱাফমদি চাইল্ড ক্যের ইন্সটিট্যুসন ২,০৩৯ মরী লৈনবা ওথোরিটিদা রেজিষ্টর তৌদে হায়রিবসিনি। নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী রিপোর্টনা হায়, মহারাষ্ট্রগী চাইল্ড ক্যের ইন্সটিট্যুসন চাদা ৮৮, হিচামল প্রদেশকী চাদা ৫১ অমসুং দেল্লিগীনা চাদা ৪৬ রেজিষ্টর তৌদ্রি। চিলদ্রেন হোমশিংগী থবক থৌরম পুম্নমক য়েংশিন্নবগী মতাংদা লৈরিবা মেনেজিং কম্মিটিগী মীফম চাং নাইনা পাঙথোক্তে, হোম চাদা ২৩দা থোং-থাক্লবা কুক লৈতে অমসুং চাদা ৪৮দনা কাওন্সেলর থমদে হায়না নেসনল কম্মিসন ফোর চাইল্ড রাইটসকী রিপোর্টতা ময়েক শেংনা ফোঙদোক্লি।

চাইল্ড ক্যের হোম চাদা ২৯দা অঙাংশিং রিহেবিলিটেসন তৌনবগী ত্রেনিং তৌদবা ষ্টাফ কয়া থবক তৌরি হায়না পল্লদুনা কম্মিসনগী রিপোর্টনা হায়, চিলদ্রেন হোম চাদা ৭০গী ষ্টাফ পুম্নমক চাইল রাইটস প্রোটেক্সনগী ত্রেনিং তৌদে। হোম চাদা ৬১গী ষ্টাফশিংনা অঙাং কমদৌনা লোয়নগদগে হায়বগী মতাংদা ত্রেনিং তৌদে। তোঙান-তোঙানবা নন গভর্ণমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এন জি ও) শিংনা হাংদোক্লিবা চিলদ্রেন হোম পুম্নমক্তা চহী খুদিংগী লৈঙাক্লা য়াল্লবা শেনফম পীথরিবনি। চিলদ্রেন হোম খরদি মপান লৈবাক্কী শেন্থং ফংবসু য়াওরি। নেসনল কম্মিসন ফোর প্রোটেক্সন ওফ চাইল্ড রাইটসকী রিপোর্টনা হায়, ষ্টেট মঙাদা লৈরিবা চাইল্ড ক্যের ইন্সটিট্যুসন নৎত্রগা চিলদ্রেন হোম ৬৩৮দা অঙাং অমমম খুদিংগী লুপা লাখ ৬ চহী খুদিংগী পীথরক্লি। কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা অঙাং অমমম খুদিংগী লুপা লাখ ৬ চহী খুদিংগী তোঙান-তোঙানবা মপান লৈবাকশিংদগী পীথরক্লবসু চিলদ্রেন হোম অয়াম্বা কাঙলোন চুম্না চলাইবা থেংনদ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসকী মখাদা লৈবা ফোরেন কন্ত্রিব্যুসন রেগ্যুলেসন এক্ট (এফ সী আর এ) গী ৱেবসাইটতা ফংবা রিপোর্ট মতুংইন্না কুমজা ২০১৮-১৯দা অঙাং অমমমগী ওইনা লুপা লাখ ৬.৬০গী চাংদা মপান লৈবাকশিংদগী পীরকখি। চাইল্ড প্রোটেক্সন স্কিমগী মতুংইন্নদি চহী খুদিংগী অঙাং অমমমদা চাদিং তৌগদবা শেনফম অসি চাউরাক্লা লুপা ৬০,০০০ রোম খক্তনি। মপান লৈবাক্লা শেল খ্বাইদগী চাউনা থাদরকপা ষ্টেট মঙাগী ফীভম য়েংশিনবদা অন্ধ্র প্রদেশকী চাইল্ড ক্যের হোম ১৪৫দা লুপা ক্রোর ৪০৯; টেলঙ্গনাগী চিলদ্রেন হোম ৬৭তা লুপা ক্রোর ১৪৫; কেরলাগী চিলদ্রেন হোম ১০৭তা লুপা ক্রোর ৮৫.৩৯; কর্নাটাকাগী চিলদ্রেন হোম ৪৫দা লুপা ক্রোর ৬৬.৬২ অমসুং টামিল নাদুগী হোম ২৭৪দা লুপা ক্রোর ১,১৭০২ কুমজা ২০১৮-১৯গী ওইনা পীথরকপা থেংনখি। মণিপুরগী ওইনসু চাইল্ড ক্যের ইন্সটিট্যুসন নৎত্রগা চিলদ্রেন হোম নৎত্রগা ওর্ফানেজ কয়ামরুম লৈরি। হৌজিকমক্কী ওইনদি হায়রিবা চিলদ্রেন হোমশিং অসি মথৌ নিংথিনা তৌদ্রে হায়বগী খুদম থেংনদ্রি। অদুম ওইনমক থাদরক্লিবা শেনফমগা তৌরিবা থবক্তা চানরিব্রা হায়বদু য়েংশিনবগা লোয়ননা অঙাংশিং করম্বা ফীভমদা থম্বীরিবগে হায়বদু চাং নাইনা য়েংশিনবা মথৌ তাবরা খল্লি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৫

১) "কালোভ্রমর" হায়বা মণিপুরীদা হন্দোকপা দিটেক্টিব নোভেল অসি মীয়াম্না পাম্নখিবা মমিং চৎপা লাইরিকনি। লাইরিক অসিগী ওরিজিনেল অদু করি লোলদা কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপনো?

২) করম্বা চহীদা মণিপুরীবু কলকত্তা য়ুনিভর্সিটিগী মেত্রিকুলেসন পরিক্ষাগীদমক রিকগনিসন পীখিবগে?

৩) "ঐ ইশাগী য়ূমদা ইশাগী ইঙ্খোলদা/লৈরি য়ূমতাংবা অমগুম/ইরোল-ইরী ফাওনদবা/অতোপ্পা গ্রহ অমদগী লাক্লগা থুংলবগুম/ইমা ইচা শকখঙনদনা/মীৎনা উনা উনা মরীসে/শকউদবা পল অমনা ৱাংনা খাগৎলি/কৌন ঙাঙনবা তানদনা।" শৈরেং মতেক অসি নহা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবী অইবী অমগী শৈরেংদগীনি। অইবীসি কনানো, করি লাইরিক্তগী করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) মণিপুরীদা ইথোক্লবা "পরিক্ষিত" হায়বা লাইরিক্তুদা পরিক্ষিত নিংথৌদা শাপ তৌখিবা মুণি অদু কনানো অদুগা পরিক্ষিত নিংথৌদা চিকখিবা লিলদু কনানো?

৫) মণিপুরী সাহিত্য পরিষদকী যামিনি সুণ্ডর গুহ গোল্ড মেদল ফংখিবা য়েংখোম বিহারীনা ইবা লাইরিক্তু মমিং করি কৌবগে অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম নবেম্বর ১৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# লিলোং অমদি ৱাঙ্গোইগী মরক্কী মীখলদা উবা ফংবা অহোংবা খরা

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

হন্দক মণিপুরদা পাঙথোকখিবা মরক্কী মীখল অদুদা মীৎয়েং খরা য়েংবা য়াই। কোংগ্রেস পার্টিগী করি ফীভম ওইখি। এন পি পিগীসু করি ফীভম ওইখি। মসিখক্তা নত্তনা অতৈ মীৎয়েং কয়াসু য়েংবদা মীয়ামসি নুংঙাইগদবা মাল্লি। করিগুম্বা থবক অমা পাঙথোকপা লোইখ্রবা মতুংদা থবক্তুগী মরমদা হঙ্গৎনা য়েংবসু অদুমক চৎনৈ অদুগা মদুসু অফবা অমনি।

মরক্কী মীখল অদুদা বি জে পিনা অয়াম্বা সিটতা মায় পাকখ্রে অদুগা ইন্দিপেন্দেন্ট অমসু মায় পাকখ্রে। কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ অমত্তা মায় পাকখিদ্রে। মীখল তৌরিবা কন্সটিট্যুয়েন্সি লোইনমক্তা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপতি থাগৎখি। অদুবু অমত্তা মায় পাক্তবগী ৱাখক্তনি। অথোই-অহেন তান্নবদা মায় পাকপা নৎত্রগা মায়থীবা হায়বসিদি মহৌশানি। মায়থীবগী ৱাদি কোংগ্রেস পার্টিখক্তা নত্তে, এন পি পিসু য়াওরি, ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপশিংসু য়াওরি। সাইতু কন্সটিট্যুয়েন্সিদা বি জে পিগা কোংগ্রেস পার্টিগা মখোয় অনীখক্তা মীখল থেংনবদা বি জে পিনা ফংখিবা ভোট মশীং অদুগী তঙ্খায় অমফাওবা য়ৌনা কোংগ্রেস পার্টিনা ফংবা ঙমখিদে। ৱাঙ্গোইদা বি জে পিনা ফংখিবা ভোট মশীং অদুগী তঙ্খায় য়ৌনা কোংগ্রেসনা ফংবা ঙমখিদে। মীরেপ অহুম মীখল থেংনবদা কোংগ্রেসনা অহুমশুবা মফম কনবা ঙমখি। ৱাংজিং তেন্থাদা কোংগ্রেসকী মীরেপনা অনীশুবা তাদুনা বি জে পিনা ভোট মশীং লিশীং অমা খরা হেল্লগা কাখি। লিলোংগী মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা ফংখিবা ভোট মশীং অসিনি মীয়াম্না থোইদোক্লা ঙক্লিবদি। কোংগ্রেসকী মীরেপ অদুনা শুপ্নতগী ভোট মশীং ১৪২ খক ফংখি। অমরোমদা নোটাদা থাদখিবা ভোট মশীংনা শুপ্নতগী ১৫৩নি। মদুনা ফাওবা হায়বদি নোটানা ফাওবা কোংগ্রেস পার্টিনা ফংখিবা ভোট মশীংদগী হেন্না ফংখি। মসিনা তাকপদি লিলোংদা মীরেপ ওইখিবা কোংগ্রেসকী কেন্দিদেট অদু দিপোজিৎ মাঙলে। মীখলদা দিপোজিৎ মাঙবা হায়বসিদি মীরেপ অদু য়াম্না শোল্লবা, পামজবদগী ভোট লেপ্পা, মীয়াম্না কয়া পাম্নদবা ওইনা লৌনৈ। অদুবু কোংগ্রেস পার্টি হায়বসিদি লিংখৎখিবা চহী ১৩৫শুরবা মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী লিরবা অমদি ইন্দিয়াগী ওইনা হৌজিক ফাওবা য়াম্না মপাঙ্গল লৈরিবা পার্টি অমনি। কয়ামুক য়াম্না মপাঙ্গল লৈবগে হায়বদু লৈবাক অসিদা হৌখিবা চহী ১০/১১ রোমতনি পার্টি অসিনা লৈঙাকপা ঙমখিদবা।

লিলোং অমদি ৱাঙ্গোইদা কোংগ্রেসনা বি জে পিগা লম্বা পাবদা মায়থীখিবসিনি কূপ্না য়েংবা য়ারিবসি। মসিগী মরম খরা লৈ হায়বদি এ সী অনী অসিদা মুসলিম য়াম্না লৈ। লিলোংদদি মুসলিম ঙাক্তনি হায়বা য়ারে। অদুগা ৱাঙ্গোইদসু মুসলিম মশীং য়াম্না লৈরি। মুসলিম লৈরগা কোংগ্রেসকী করি ফীভম ওইরবা? কোংগ্রেসনা হায়জবা ৱা অমা লৈ মদুদি মখোয়দি কাঙলূপ-ফুরুপ খায়দবা সেক্যুলর ওইবা পার্টিনি। অদুগা মখোয়না বি জে পিবুদি কাঙলূপ-ফুরুপ খায়বা কম্ম্যুনেল ওইবা, সেক্যুলর ওইদবা, হিন্দু লৈবাক ওইহন্নবা হোৎনবা, মুসলিমশিংবু থওইবিদবা পার্টিনি হায়দুনা লৈ। মখোয়না তোয়না হায়জবদা মাইনোরিটিগীদমক মতম চূপ্পগী লেপ্তুনা লৈবা পার্টিদি কোংগ্রেসনি হায়বসিনি। হন্দক্কী মরক্কী মীখল অদুদসু লিলোং অমদি ৱাঙ্গোইদা মাইনোরিটিগী ওইবা ৱাফম কয়া পুখৎতুনা মীখলগী মীটিংদা ৱা ঙাঙবা মীয়াম্না থেংনখ্রে। মাইনোরিটিগী পূক্নিং চিংশিন্নবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অমরোমদা, মাইনোরিটি/মুসলিমশিংনসু মতম কয়াগী মমাঙদগী মখোয়গীদমক্তা লেপ্লীবা পার্টিশিংগী মরক্তা কোংগ্রেস পার্টিনা খ্বাইদগী হেল্লি হায়দুনা পার্টি অসিগীদমক্তা ফৈগাক-ফৈনা লেপ্লকখিবনি। অদুগা হন্দক্তি লিলোংদা কোংগ্রেস পার্টিগী মীরেপ দিপোজিৎ মাঙলে। ৱাঙ্গোইদা অহুমশুবা মফমদা তাখ্রে। অদুনদি মুসলিম য়াম্না তাবা মফম অনী অসিদা কোংগ্রেস পার্টিগী ফীভম য়াম্না শোক্লে। পার্টি অসিগী মতিক চাবা কেন্দিদেট লৈতবগীরা? অদুবু ৱাহং অমদি চোঙথোরকই, কোংগ্রেস পার্টিবু অৱাৎপা লৈবরা?

নেসনলগী থাক্তা কোংগ্রেস পার্টি ফীভম শোকপা য়াম্না হেঞ্জিল্লক্লি। হন্দক্তা লোইখিবা বিহারগী এসেমব্লি মীখলদা কোংগ্রেস পার্টিনা এসেমব্লি সিট ৭০দা মীখল থেংনবদা শুপ্নতগী মীরেপ ১৯ খক্তমক কাখি। বিহার হায়বসি মুসলিম য়াম্না লৈবা লম অমনি। মধ্য প্রদেশকী মরক্কী মীখল পাঙথোকপদা কোংগ্রেস পার্টি চাউনা মায়থীখ্রে। লৈবাক অসিগী ওইনা পূন্না য়েংবদা কোংগ্রেস পার্টিনা মীখলদা মায় পাকপগী চাং য়াম্না হন্থরকপসিদা কোংগ্রেস পার্টি মনুংদগী লুচিংবা কয়ানা পার্টিগী লুচিংবশিং অমদি গান্ধীগী ইমুং-মনুংদা নুংঙাইতবা, পেন্দবা কয়া পুথোক্লরক্লি। পার্টি মনুংদা পূক্নিং-ৱাখল তিন্নদবগী নুংশিৎ অমা কন্না শিৎলি। য়াম্না লিরবা পার্টি অসিনা মশাগী অশোয়বা থিজনবা হোৎনবদা খুরৌ থাংবা কয়াসু মশাগী ওইনা লৈজদবা নত্তে। ●

# কোরোনানা মায় পাক্লিবরা নৎত্রগা ঐনা পাক্লিবরা?

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

মীপূম খুদিংমক্লা কিনরিবা, ঐনসু অদুম চপ-চানা কিরিবা অদুগা ঐখোয়গী শামুমানদি অমুক্কসু হেন্না শাথীনা কিজরিবা কোরোনা হায়বা তমথীরবা লায়নাসিনা ঐগী ইমুংসি হন্দক্তি ফজনা নৈখ্রে। ঐখোয় অহুম মথং-মথং নাই। ঐঙোন্দগী লৌখিবা ঙাক্তনি। হৌরকপা কান্দুদা ঐসু হেক কোরোনা মালহৌদ্রে। ঐগী খজিক্তং ফীভম চাহৌদবা তাঞ্জা অমখক্তা কোরোনাভাইরসনা ঐবু কয়াদা শাথীনা তৌরমখ্রবা, লোইরে হায়দুনি হন্দক্তি, শাউসু য়াম্না শাউনীংখি। অদুম ওইনমক, থৌদৌসিদা কোরোনাভাইরসকী তোঙানবা কেরেক্টর অমদি খঙহৌই, লায়না অতোপ্পশিংনা হান্না ক্রোনিক ওইহনবা মখৈ শোকচিনহল্লম্লবা হকচাংশিং নত্তনদি কোরোনাভাইরসনা নোর্মেল ওইনা লৈজরিবা হকচাংশিংদদি খক শাথীবা মওংগী অনাবা ওইনা নাহনবা তৌদবা মাল্লি। ঐসি কোরোনানা য়াম্না কল্লক পেন্না অমসুং য়াম্না খঙজদবা মী অমদৌনা নুমিৎ খরনিদি ফজনা থ্রেট তৌখ্রবনি। মদু খঙলকপদগীনি, ঐনা কোরোনাগী মহীকশিং হাৎপা ঙম্নবগীদমক ঐগী হকচাংগী ইম্ম্যুনসি কনখৎহন্নবা হোৎনরকখিবা। মরী লৈনবা হীদাকশিং, ভীটামিনশিং মখল খুদিংমক শুনা চাবা হৌরকখি। অদুদগীদি, ঐনা মাবু তপ্না-তপ্না মায়থীবা পীবা ঙম্লকপগী মওংশিং উরকখি। হৌজিকপুদি থামুক ফাজিল্লক্কদৌরবনিনা ঐগী ইমুংগী মেম্বরশিং খুদিংমক লোইনা নারম্বদগী ফনরক্লে অদুগা হোম আইসোলেসনগী মতমসু শুজিল্লক্কদৌরে। ঐগী ইমুংগী হন্দক্কী কোরোনাগী লাঞ্জংসি ঐনসু কোরোনা লায়না মঙোন্দা কল্লক পেনবা অমা পোকই, অদুগা কোরোনানসু ঐঙোন্দা শোয়দনমক্কী কল্লকতি পেল্লমগনি। মানা খল্লমগনি, মানা ঙল্লে, মানা মায় পাক্লে হায়না, অদুগা ঐনসু খল্লি, ঐনা নমদুনা ঙম্লবনি, ঐনা মায় পাক্লবনি হায়না।

কোরোনাভাইরসনা নাবা অনাবশিংসি, অনাবগী মওং-মতৌ ফোঙদোক্লকপা মতুং নুমিৎ নীনি-হুমনিদুদি তশেংনা মতৌ য়াম্না মান্না লাকশিল্লকই। করিগুম্বা মতমদা মানা হেঞ্জিল্লক্তনা, মানা অদুম ঙমখিদৌরিবা জাৎলা ফাওবা চিংনবা পোকহল্লক্তবা নত্তে। মীয়াম্না ঙাঙনবগা, অমুক-অমুক্তি শ্বাই-শ্বাই লাওবসু ফাওহল্লক্তবা নত্তে। ডোক্টরনা ইবিবা হীদাক-লাংথকশিংগী মথক্তা ঐখোয়না ভিটামিন-সি মরাং কায়না য়াওবা হৈ-রাশিং, লাইহৌ থোইনা য়াওদ্রগদি অদুম মরাং কায়না চাশিল্লি। নোংমদা ঈশিং অমদি চা-মনা য়াক্লপ লোনবা চা য়ামদ্রবদা অহুম-মরিদগী তাদনা থক্লবা হোৎনৈ। ডোক্টরনা হায়, "ফুদ আইটেমশিংগী মনুংদা মহী-মনাইগী শরুকশিং নিংথিনা য়াওহনবীবা ফৈ'। অদুনা টোর্বোট চম্ফুৎ নৎত্রগা দশ-কুশকুম্বা অমগী চম্ফুৎতি কম্পলসরি অদুম ওইহন্নবা হোৎনৈ। পুম্নমকসিগী মথক্তা চাক চাবা তোকপদা চানবা অৱাথবী অমুনবা মকক খরসু নোংমগী মনুংদা অনীরক্তি অদুম শোয়দনা চানবা শীল্লি। অহানবা নোংম-নীনিদুদি পূক্লিংকাসি অসুক্কী মতিক নুংশিরকখি। নুমিৎ খুদিংগী হিংলম্বা পুন্সি মহিংদুদগী খরা থৈদোক্লকপ তৌনা হিংলকপা অমদি য়ূমগী মেম্বর খুদিংমক অমগা-অমগা অমত্তা উনদবা মখৈ ইশাগী য়ূমদুমক্তদা আইসোলেটেদ ব্লোক অমমমদা লৈনরকপনচিংবা, অহোংবা সিনেরিও খরা হকথেংননা থেংনবসিনা, পূক্লিংসি অসুক্কী মতিক নুংশিবা ফাওহল্লকই। অদুবু পুম্নমকসি ফগৎলক্লবা হোৎনদবা য়াদবা ওইবনা, কোরোনা লায়নানি হায়বদা মীয়াম্না লৌনরিবা ৱাখল্লোনশিংদুগা মথং-মথং ভিটামিন্নচিংবা মচি ওইবা চিঞ্জাকশিং মচল শুনা চাদুনা হকচাংগী ইম্ম্যুন সিষ্টম থুনা কনখৎহল্লক্লবা হোৎনরকই। অমরোমদা, হন্দক্কী কোরোনাভাইরসকী লাইচৎসি লায়েংবদা খ্বাইদগী চানবা থৌদৌদি, নোংমগী মনুংদা অমুক্তা ওইরবসু, লেপ্পা লৈতনা য়ারিবমখৈ হকচাংদা ফি য়াম্না থোংদনা, ষ্টিম-বাথ মপূং ফানা তৌথোকপসিনা ওইগদ্রা নীংই। মসিমক য়াওরমদ্রগদি ঐগী ৱাখলদদি কোরোনাভাইরসকী লায়নাসি তশেংনা অতেনবা মতমগী মনুংদা ফগৎলক্লবা হোৎনবসি ৱারমগদ্রা খল্লি। কোরোনাভাইরসসি তশেংনা মশাদা অরুবা লায়না-তীলনাশিং থোইনা চেন্দবা মীশিংদদি থোইনা নুংশা থীনীংঙাই ওইদবা জাৎনি। অদুগা, হান্নগী লায়না লৈজবশিং অমদি ইম্ম্যুন শোন্থবশিংগীদমক্তদি য়ারিবমখৈ লায়নাসি শুকলৌ-লৌনরক্তনবা চেকশিনবীবনা চুমগনি খল্লি। করিগুম্বদা তঙাইফদনা অসিগুম্বা ফীভম থোক্লগসু ডোক্টরশিংনা কূপ্না য়েংশিনবীরবদি করিসু নত্তবা জাৎনি। হীরমসিদদি ডোক্টরশিংগী এদভাইস লৌবীবনা চুমগনি।

কোরোনাভাইরসকী মতাংদা লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা হৌজিক ওইহৌরিবা ফীভমশিংসি উরুবদা খজিক্তং তুজুংবা ফাওই। ইম্ফাল মনুংগী লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংসি কোভিদ-১৯ লায়েংনবগীদমক সিট অমত্তা শংই হায়রকত্রিবসি মতম ফনা কুইরক্লে। অসিগুম্বা পেন্দমিক ওইবা লায়না লাইচৎসিগী অনাবশিং ডোক্টর-নর্সশিংগী মীৎয়েং মখাদা লৈহন্দনা, লৈফম লৈতে হায়দুনসু মানা-মানা থোকপা মফমশিংদা পংলৈদা লৈহনবগী থৌদৌসি অচুম্বা থৌদৌ ওইগনি হায়নীংদে। কোরোনাভাইরস শাথীবা লায়না-লাইচৎনি হায়বসি মীপূম খুদিংমক্লা খঙনরবা ৱাফমনি। ফীভমসিদা পাল্লিবা লৈঙাকসিনা লমদমসিগী মীচম-মীয়ামগী খুদোংথীবশিংসিগী মরমদা করিনো অমদি তঙাইফদনা তৌহন্নীংই। কোরোনা লায়না পোজিটিভ ওইরেদং তাবদা মশাদা হুমাং অনপ্পী কাংবগা লোয়ননা মথম্মোয় শোন্থরক্লিবা কোরোনা পেসেন্টশিংগী অসিগুম্বা মীৎকুপসিদা, মণিপুরগী হোস্পিটালশিংগী ডোক্টরশিংনা হোস্পিটালদা সিট অমা ফাওবা হাঙদে, য়ূমদা পুথরগা হোম আইসোলেসন তৌরুবনা ফগনি হায়বা ৱাহৈসি তাবদা অনাবশিং করি ওইরমগদৌরি? অসিগুম্বা মীৎকুপশিংসিদদি অনাবশিংনা ডোক্টরগী মশক হেক উজবা খক্তদা মথম্মোয়শিংদু চাউথোকচরিবনি। য়ামদ্রবদা ফীভমসিদা টেম্পররি ওইরবা ফাওবদা, মণিপুরগী কোরোনা পেসেন্টশিংগীদমক ডোক্টর, নর্সশিং লৈবা লায়েংফম অমত্তং ফাওবদি মণিপুর লৈঙাক্লা শিনবীফম থোকপ্রা খল্লি। মসি নৎত্রবদি মণিপুরগী কোরোনা পেসেন্টশিংগী মরায়বকশিং করি ওইরক্কদৌরি অমসুং কোরোনা পকত্রিবা মণিপুরগী মীচম-মীয়ামগী মরাইবকশিংনা করি অমুক ওইরক্কদৌরিবা? হৌজিক মণিপুরদা কোরোনানা নাবা অনাবশিং অয়াম্বা হোস্পিটালদা সিট লৈতে হায়দুনা ডোক্টরশিংনা য়ূম-য়ূমদা হোম আইসোলেসন তৌরুনবা হায়রিবশিংসিসু লমদমসিদা লায়নাসিগী ফীভমসি করি ওইহল্লক্কদৌরিবনো হায়বসি কনামতনা হায়বা ঙল্লোই। পুম্নমকসি খল্লুবদা পূক্লিংদা মীপাইবশিং পোকই। ফীভমসিবু মীচম ঐখোয়না ৱাখল তাবা ঙমদদুনা, কোরোনাগী মতাংসিদা লান্না পংখন-খঞ্জিল্লিব্রা? মীচমশিং ঐখোয়না লান্না খঞ্জিল্লবসু, লৈবাক্কী মপী-মপা ওইরিবা লুচিংবশিংনদি মীচমশিং ঐখোয়বু চুমথোকপীফম থোক্তবরা?

কোরোনাগী হাক্তকসিদা ঐখোয় মশেল উংখৎনবা অমদি অমনা অমদা মরালশিং থংজিন্ননবা লাক্লদুনা শাউনরুবগী কান্নবশিং লৈরোই। অমনা অমবু তাথী-তাওইনা তৌনদুনা অমসুং অকন-অথৌশিং শানদুনা লোইবা নাইদবা মওংদা লমন খুম্নবগী ৱাখল্লোনশিং পুথোক্লবগী কান্নবা করিনো? ঐখোয় মশেন লীংজেল মান্নমিন্নসি অমসুং পাঙদিং মান্ননা পূন্না কোরোনাগী মায়োক্তা লাঞ্জংশিং চঙশিনমিন্নসি। সিনা শোয়দনমক্কী য়াইফবা ওইরনি। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## লৈবাক্কী মপি-মপা ওইবশিংনা য়েংশিনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

ফদিবি রোদ হায়রিবা অসি নম্বোল/উৎলৌ/লাংপোক/ককয়াই/মৈজ্রাও/হিয়াংথাং/ইম্ফাল ফাওদুনা চৎপা য়াবা মণিপুরগী মনুংদা য়াম্না মরু ওইবা ম্যেন রোদ অমনি। হায়রিবা লম্বী অসিগী ফীভম অসি অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। লম্বী অসিগী ফীভম য়েংলুরবদি লৈবাক অসি মপু পাল্লিব্রা নৎত্রগা পান্দ্রবরা হংনীংই। সর্কলগী এম এল এনসু য়েংশিনবীদ্রে। হৌজিক্কী লৈঙাক্লসু য়েংশিনবীদ্রে। মসি ঐনা হায়বা নত্তে, মীচম মীয়ামগী পেন্দবগী খোল্লাউনি। হায়রিবা লম্বী অসিদা আর সী সী থোং মচা মরি লৈ। অহানবা থোং অমনা লৈনম্বী থোং হায়না খঙনবা নম্বোল য়ৌরমদাইদা লৈবা থোংনি। অনীশুবা থোংনা লাংপোক লমলোং য়ৌরমদাইদা লৈবা থোংনি। অহুমশুবা থোংনা ককয়াই মৈজ্রাও লোম্নবদা লৈবা থোংনি। অদুগা মরিশুবা থোংনা মৈজ্রাও লোইরকপদা লৈবা থোংনি। হায়রিবা থোংশিং অসিগী লাইফ স্পান (মপুন্সি) সু লোইরবা ঙাক্তনি, মতমগা চুনদ্রে। থোংশিং অসি ময়ায় থিগাংদা তেক্লক্কদ্রা হায়না মীচম মীয়াম লান্দুনা চৎকদবসু কিনরে। অদুনা থোংশিং অসিসু মতমগা চুনবা মওংদা তুংগী জেনরেসনগী য়েংলগা খরা পাক-চাউনা শাবা য়ারবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা মরী লৈনবাশিংনা হন্না য়েংবীদে। হায়রিবা থোংশিং অসি মতমগা চুনবা মওংদা দবল লেন্দ/ফোর লেন্দ ওন্থোকপা য়ারবনি।

ফদিবি রোদ অসি টিদ্দিম রোদকী মথংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা ইম্ফাল ফাওদুনা চৎনবা লম্বীনি। হায়রিবা লম্বী অসিদা মহৈরোয়শিং অমদি মীচম মীয়াম্না অরৎ-অখম লৈতনা চৎনরিবনি। অদুবু হৌজিক্তি য়াম্না খুদোংথিনীংঙাই ওইরে। লম্বী অসিগী ফীভম য়েংলুবদা অসুক্কী মতিক ফৎত্রে। অসুক মরু ওইখ্রবা লম্বী অসি শেম্বীবগী মহুত্তা ইন্টর-ভিলেজ রোদ ওইনা শেমদুনা লৈরে, মরু ওইবা লম্বীদি শেম্বীদ্রে। মসিসু মীচম মীয়ামগী লাইবক থীবনি। অদুনা লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু হায়রিবা লম্বীশিং অসিগী ফীভমবু অমুক্তং মীৎয়েং তাহঞ্জনীংই। মদু নৎত্রবদি লম্বী অসিদা চৎলিবশিং নোংমদি শাথীবা এক্সিদেন্ট থোক্তুনা শিবা ফাওবা য়াওরকপা য়াই হায়না খল্লি। মরম অদুনা লম্বী অসিবু অথুবা মতমদা লৈবাক্কী মপি-মপা ওইবশিংনা য়েংশিনবীনবা হন্না হন্না নীংশিংজরি।

*অদোমগী - এন জি মৈনো*
*লাংপোক মনিং লৈকায়, নম্বোল, বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর*

## চীফ মিনিষ্টরনা য়েংশিনবীয়ু

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

লৈঙাক্কী পেন্সনরশিংনা থা তরুক খুদিংগী পেন্সনর অদু হিংলি হায়বা খঙনবা ত্রেজরি ওফিসতা লাক্তুনা ফোটো নমদবা য়াদে। গ্লোবেলাইজেসনগী চাওখৎলবা দিজিটেলগী মতম অসিদা চহী ৭৫ হেল্লবা অহল ওইরবা ইমুং-মনুংগী মতেং য়াওদ্রবদি মপান থোকপদা ৱারবা পেন্সনরশিং, দিসএবল পেন্সনরশিং ত্রেজরি ওফিসতা থা তরুক খুদিংগী ফোটো নম্বা লাকপগী মথৌ তারিবরা? ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা দেল্লিদা অদুগা মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরনা ইম্ফালদা লৈরগা শক্কা-শক্কা উনরগা ৱারী শানবা য়ারবা মতমনি। মোবাইল ফোনদা পেন্সনরশিংগা ত্রেজরি ওফিসকী ষ্টাফশিংগা ভিদিও কোল তৌদুনা শক্কা-শক্কা উনরগা ৱারী শাবদা পেন্সনর অদু হিংলি হায়বা খঙই। মণিপুরগী চাওখৎলবা পোলিসি প্রোগ্রাম দ্রাফ্ট তৌরিবা ব্যুরোক্রেট ওফিসরশিংনা অহল ওইরবা, মতোমতা চৎপদা ৱারবা অমদি দিসএবল ওইরবা পেন্সনরশিং থা তরুক খুদিংগী ত্রেজরি ওফিসতা চৎতনবা সিষ্টম অমা শেম্বীরবদি পেন্সনরশিংনা থাগৎনগনি। মীয়ামগী ফনবা, নুংঙাইনবা হোৎনবীরিবা চীফ মিনিষ্টরনসু হীরমসিগী মতাংদা য়েংশিনবীদুনা পেন্সনরশিংগী অৱাবা অসি কোকহনবীরবদি পেন্সনরশিংদা নত্তনা ইমুং মনুংগী মীওইশিংনসু হরাউনগনি।

*অদোমগী - লোংজম দেভদত্ত*
*লম্ফেল সনা কৈথেল, ওপোজিৎ এ জি কোলোনি, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।